সেংমাই তুরেলবু তরু-তনান্না থমসি হায়না কেম্প্যেন চংখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): জোইন্ট নন গভর্নমেন্ট ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) অমদি ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) ককচিংগী থৌমীশিংনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগা খুৎশম্নদুনা লাক্কদৌরিবা বাই-বাই অমদি ন্যু য়ারগী মাংওইননা মীওই লিশিং কয়াগী ঈশিং শিজিন্নফম ওইরিবা ককচিং ফাওদুনা চেল্লিবা সেংমাই তুরেলবু তরু-তনান্না থমসি, সেংমাই তুরেল কন্সি হায়না মীয়াম্না চাকচা-হৈজান্নবা লাক্লগা তুরেল অসিগী খোঙনুংদা অমোৎ-অকায়, মপুং ওইনা প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং চাইথোকপীগনু, সেংমাই তুরেল তরু-তনান্না থমসি, সেংমাই তুরেল কনসি হায়না ঙসি তুরেল অসিগী মীয়াম পুনবা য়াবা জগাদা কোয়না চত্তুনা পোষ্টর কেম্প্যেন চংখ্রে।

ককচিং ইথৈমরু দামদগী হৌদুনা চংখিবা ঙসিগী পোষ্টর কেম্প্যেন অদুদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা চাক চান্নদুনা লৈরম্বা মহৈরোয়শিং অমদি লনাই মীওইশিংবু ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা মফম অদুদা চাইরম্বা প্লাষ্টিক অমদি অতৈ অমোৎ অকায়শিং মীয়াম পুন্না শেংদোকমিন্নখি।

ঙসিগী পোষ্টর কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা জে এন জি ভি ওগী এদভাইজর পি সোমেন্দ্রোনা ফোঙদোরকপদা, ককচিং সেংমাই তুরেল অসি ককচিং খক্তা নত্তনা কৈরক ৱাবগায়গী মীয়াম্না মপাল তাংদুনা লাইফ লাইন অমা ওইরিবনি। তুরেল অসিবু তরু-তনান্না থমসি হায়বগীদমক ঙসিগী কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপনি। মসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীদুনা ককচিং মনুং খক্তমক তুরু-তনান্না থম্নী মহুৎতা ঐখোয়গী লাইফলাইন ওইরিবা তুরেল অসিবু তরু-তনান্না থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বা অপিল তৌরক্লি।

ঙসিগী পোষ্টর কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন নাওরেম শান্তিকুমারনা ফোঙদোরকপদা, ঈশিং হায়বা অসি মীওইবা অমদি থৱাই পানবা খুদিংমক্কী থৱাই ওইরিবনি। ঈশিংবু তুরু-তনান্না থম্নবা ঈশিংদা ফৎতা হাওদি থাদবীগনু। ঐখোয়না হরাউ কুম্মৈনচিংবদা চাকচা-হৈজান্নবা তৌবীরবসু তুরেল খোঙনুংদা প্লাষ্টিক বোট্টল, প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং মফম চানা পৈশিনদুনা থম্বীয়ু, তুরেল খোঙনুংদা থাদবীগনু, তুরেলবু ঐখোয় পূন্না কন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

উচেক লাং থাকপা মীওই অনি জেলদা থাজিনখ্রে, কলহৌরবা উচেক তেক্তা-কায়দনা থাদোকখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২০দা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর (দি এফ ও) থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর ককচিং অমদি য়ুনিক ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জার্বেসন কম্মিটি মণিপুরনা খোয়দুম পাৎতা অখন্ননা চংখিবা দ্রাইভতা উচেকক কোন্ননা ফাখিবা উচেক লাং থাকপা মীওই অনি ঙরাং জেলদা থাজিনখ্রে। মখোয় অনিদগী কলহৌবা উচেক ঙসি তেক্তা-কায়দনা শফগদবা মফম য়েংদুনা থাদোকখ্রে।

ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জার্বেসন এক্টকী মতুং ইন্না উচেকক কোন্ননা ফারবা জেলদা থাজিনখ্রবা উচেক লাং থাক্লম্বা মীওই অনি অদুদি সলাম জয়েন্তা অপোকপা সলাম মণিহার অমদি লৈমপোকপম মঙাল অপোকপা লৈমপোকপম দেনাননি। মখোয় অনিমক সেকমাইজিন খুনৌদগীনি হায়রি।

মখোয় অনিদগী কলহৌবা উচেক ঙসি আর ও ককচিং নিংঙোম্বম ইবোয়াইনা লুচিংবা থৌবালগী ওনরারি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রামচন্দ্র অমদি বি ও য়াইরিপোক এম বিরেন য়াওবা অখন্নবা টিম অমনা পাউমী য়াওনা চত্তুনা তেক্তা-কায়দনা থাদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা আর ও ইবোয়াইনা ফোঙদোরকপদা ঙসি থাদোক্লিবা উচেক মখল অসি টফটেদ দক হায়না খঙনবা উচেক মখল অদুনি। উচেক অসি চহী অনিরোম মণিপুরদা লাকপা উরুদ্রবনি। হন্দক্তা নৌনা অমুক লাকপা উচেকনি। উচেক মখল অসি ৱাইল্ডলাইফ সেদ্যুল ৪দা চনবা অতাংবা মখলগী উচেক অমনি। অসিগুম্বা অতাংবা উচেকশিং অসিবু কন্দুনা, ঙাকশেন্দুনা থম্বা হায়বসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট খক্তা নৎতনা মীয়ামগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা লম্লক্কী শা-উচেক অমদি মাইগ্রেটরি বার্দশিং অসি ফাবীগনু। কনাগুম্বনা ফারম্বা থেংনরবদি ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জার্বেসন এক্টকী মতুং ইন্না মখল মখা কয়াগী চৈরাক ফংগনি হায়খি।

ৱাজরবা শিন্মীশিংবু থবক শুহল্লু: নুপী লূপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ফুন্দ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সী আই) গোদাওন সঙাইপ্রৌদা হান্না থবক শুরম্বা শিন্মীশিংবু অমুক হন্না থবক পুহন্নবগী মতাংদা ঙসি তোঙান-তোঙানবা নুপী লূপ ওর্গনাইজেসন ১৫ রোম্না শরুক য়াদুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মীয়াম্না অমৎতা ওইনা লেপ্পখিবগা লোয়ননা ৱারেপ খরসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, লাক্লিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা এফ সী আই গোদাওন সঙাইপ্রৌদা হৌজিক থোক্লিবা শিন্মীশিংগী ৱাথোক অসি মরী লৈনরিবা এফ সী আই অমনি লৈঙাক্লা ৱারোইশিন অমা পুরক্কুনা হান্নদগী ৱাজরক্লবা শিন্মীশিংদা থবক শুহল্লু অমদি মরাল লৈরে হায়রিবা এন আর মথাই ইন্টরপ্রিইজেসপু চৈরাক পীগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা ওথোরিটিনা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি ঙসি পুনখিবা মৈরা পায়পী লূপশিং য়াওদুনা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না মালোম টুলিহল মৈরা পায়বী প্রোগেসিভ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নমৈরাকপম চাবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লূপশিং অদুদি, দ মালোম তেরাখা চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপ (মালোম টুলিহল), দ মালোম টুলিহল মখা লৈকায় প্রোগেসিভ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, কাংমোং লাঙ্গোলজম মনিং লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ, সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকায় মেহালা মন্দল, ফোইজিং চীংনিং নুপী কাংলূপ, হৈগ্রুজম পার্ট ১ মনিং লৈকায় ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, চাউখৎ খোঙথাং নুপী লূপ মৈত্রম অৱাং লৈকায়, খাবী অপুনবা চনুরা মরুপ মৈরা পায়বী, খুনফম মৈরা পায়বী, হৈক্রুজম মমাং লৈকায় নুপী মরুপ, অৱাংজিরি শান্তি রক্সা নুপী মরুপ, লৈমপোকপম মৈরা পায়বী অৱাং লূপ, লুক্রাম লৈরক ময়াই লৈকায় চনুরা লিচিং লূপ, মালোম টুলিয়াইমা অপুনবা মৈরা পায়বী অমসুং খায়দেম লোয়ালাকপা ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

এ আরগী পোষ্টতা এটেক চংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোলচান পুলিস ষ্টেসনগা কোনবা কাচিবুং খুলগী মনাক্তা লৈবা ২৯শুবা অসাম রাইফলস আউট পোষ্টতা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা খুৎপু অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চংখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৮৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ১৯শুবা এ আরগী আউট পোষ্টতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চংখরম্বা অদুদা মফম অদুদা লৈবা এ আরগী কাংবুনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নাকল অনিনা মিনিট ১০ রোম নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা অশোক অপনগী পাউদি লৈখিদে। থৌদোক থোকফম অদুদা মোলচান পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস টিম অমসু লাক্নুনা য়েংশিনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মোলচান পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

ফোটো এগজিবিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): জাতিগী মপা হায়না খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কীয়াম্বা শঙলেন, বিষ্ণুপুরদা এফ ও বি, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা ফোটো এগজিবিসন অমা হৌদোকখ্রে।

এক ভারত শ্রেশথা ভারত হায়বা থিমদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ফোটো এগজিবিসন অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বিষ্ণুপুর কে এস ঐচ মণিহার আই পি এসনা চিফ গেষ্ট, এসিষ্টেন্ট এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র সী পি দল্লিয়ু দি মিনিষ্টর ওফ হাউশিং এন্দ অর্বান এফিয়র্স গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং এস দি পি ও বিষ্ণুপুর লাক্ষমি থিংবাইজমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এদিস্নেল এস পি বিষ্ণুপুর কে এস ঐচ মণিহারনা ফোঙদোকখিবদা, মহাত্মা গান্ধি অসি ঐখোয়গী জাতিগী ওইনদি তাইবং শেন্বা মপুগী খুদোল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহাক্না ব্রিতিসকী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী নিংতম ইহৌদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদুবু ঐখোয়গী হৌজিক্কী মীরোলনা নিংশিংহনবা মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ফোটো এগজিবিসন অদুদা মহাত্মা গান্ধিগী পুন্সি ৱারোল, মহাক্না তৌখিবা থবক থৌরম কয়া অমসুং মহাক্কী ৱাখল্লোন উৎপা ফোটো ৬০ উৎখি।

কনভিক তারমদাইদা একুজ বেল পীবিগনু: জে এ সী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগা কোনবা বামোন কম্পুদগী খুঞ্জামযুম অরুন মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা পুলিসনা ফারগা হৌজিক জেলদা লৈরিবা একুজ বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নাওসেকপম রবি ইম্ফালগী সেসন কোর্টতা হৌজিক কনভিক তারমদাইদা কোর্টতা বেল লৌনবা হোৎনরিবা অসি কোর্টনা বেল পীবিগনু হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ খুঞ্জামযুম অরুনগী কনভিনর কম লিগেল এক্সপার্ট রজিব থাংজমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা রজিব থাংজমনা মখা তানা হায়, অরুন মীহাৎকী মতাংদা একুজ ওইরিবা নাওসেকপম রবিনা মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীবিনবা কোর্টতা নিবা অসি য়ানিংদে। মণিপুর লৈঙাক্কী লৈরিবা জুদিসিয়রিনা হীরম অসিদা খরা কুপ্পা য়েংহন্নিংই। কনভিক্সন তারমদাইদা অসুম্না একুজশিংনা বেল লৌনবা হোৎনরকপা অসি মরম চাদে হায়রি।

অমরোমদা পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এ সীগী ৱাঙাংলোয় য়াম্বেম ওংবী পঞ্চালতানা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ২৩দা খুঞ্জামযুম অরুনগী ঙকশম অমদি পুক্তা থাংনা লেনবা অমদি মবুক্তা থাংনা থিন্দুনা য়াম্না মীনুংশি লৈতনা মীহাৎ থিনা হাৎলগা ময়ুম মনাক্কী লৌবুক্তা হুন্দোক্লম্বনি। মীশি অদুগী মতাংদা বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নাওসেকপম রবি মশামক পুলিসতা চংজাখিবনি হায়রি। একুজ ওইরিবা এম রবিনা মেদিকেল গ্রাউন্দদা কোর্টতগী বেল লৌনবা হোৎনরিবা অসি য়ানিংদে। মহাক হৌজিক নোর্মেল ওইরিবা মীওইনি হায়রি। অরুন মীহাৎতা রবি খক্তা ওইরম্লোই মীওই খরা চেন্নরম্বা য়াই।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এ সীগী এদভাইজর কে মুহিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা অরুনগী লোয়নবী হেলেনগা প্রদান রবিগা অনি অসি লব এফ্যেরস লৈ। মখোয়গী মেসেজতা জে এ সীনা ফংবদা ‘নুংশিবনা হেনখিবনা ঐনা নংগীদমক্তা লৈখা তারে’ হায়বা মেসেজ ফাওবা ইবা থেংনখি হায়রি। রবি অমদি হেলেন বেল পীবিগনু। কনভিক্সন পীরমদাইদা কোর্টতা বেল থাবা অসি য়ানিংদে। মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু চেন্নবা মীওই অমৎতা লেম্না থারোই হায়খিবিনি।

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ইরোইশেম্বা মমাঙ লৈকায়দা লৈবা পোইন্ট ৩ মুক চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি।

8974869695
8731082948

HL-P/5563/23

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্কুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

Contact:-**Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/5269/12nov.-23dec.

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ লৌ শঙম মঙা য়োঞ্জরি

ঈশিংথেন্বীদা লৈবা লৌ শঙম মঙা, ফার্ম তৌবা য়াবা, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ঈশিং চহী চূপ্পা ফংবা, লম্বীগা তাইনবদা লৈবা গাড়ী অচৌবা চঙবা য়াবা অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

9436279796
7630900800

HL-P/5542/21,23,25

[illegible]
SPOKEN HINDI/HINDI TUITION (ALL CLASSES)

RK HINDI
COACHING CENTRE

Singjamei Thokchom Leikai Near Pettigrew School/
Imo Filling Oil Pump.
HL-P/5537/20-24 Mobile : 9856531364, 8974784501

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শগতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
কীয়েমেরোং মনীং লৈকায় লমী চংফম মন্দির, নিয়র এসেম্ব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপহিনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোম্দা লাইয়ৈ ঊৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চংলম্বদগী রোম তুনুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌশংলক্তরে হায়বদি এগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকবায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্মীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংনা নৈনবীয়ু, তাম্বীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হেনবা নুংঙাইতবা, শাদৌ শোংবা, হকচাং চেকখবা, তুম্না য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীংকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবগী মায়না allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হাকবা শায়রগা চারবীবা অসিবু পুন্সিগী লেপ্পদ্রবা পায়েল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হক্চাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী শকায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চবা হোবা, য়াইদা পোম্রা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শয়না অমদি তুংনসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মৎতক পঙ্খখিবা লায়নাশিং অসিগী মখক্তা মখাদা পঙ্খরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চৎতেং কয়া তৌজদুনা নীঙথখিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লই থক্লবা, ঈশিং পুকচংপা, নুপীগী থাগী খোঙলপ শেইবা, ঈতৈ চংপা, ঈ-নুংশিং, জিবর, চকথউনাবা, এজমা হাবা, মুইনা চিপ্পা, সিন্না চিপ্পা, সাইনস, তেশিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙ্গা শাবা, হকচাংনা ঈপুম নাপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্না হীদাক, খাঙ নাবা, মটু কৈবা, অপোপ্ন খুনিংমক, নুংশিং চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীখবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তবা অমদি উন্নশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তাম্বীয়ু।

Phone No. 9612225582
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/5858/1/12-31/12

ENROLL TODAY Most Trusted Institute Since 2001... ENROLL TODAY

GLOBAL SPOKEN ENGLISH
DOT COM COMPUTER

FEATURES:
GRAMMAR
SPEAKING PRACTICE
SMART CLASS
VOCABULARY
PRONUNCIATION
PERSONALITY DEVELOPMENT
INTERVIEW SKILLS
CAREER COUNSELLING ETC...

SPECIAL OFFER FOR
CLASS IV TO IX
Class Starts from 09th Dec. 2019
1 SPOKEN ENGLISH COURSE+ FREE 1 MONTH COMPUTER COURSE
(Other classes are going on.)

CLASS TIMING

ENGLISH	COMPUTER	
06:00 AM	06:00 AM	12:30 PM
07:30 AM	07:30 AM	02:00 PM
11:00 AM	09:00 AM	03:30 PM
01:00 PM	11:00 AM	

COURSES:
BASIC, CCA, CCC
DCA, DTP, CCP
TALLY, MULTIMEDIA
OFFICE AUTOMATION
INTERNET ETC...

INSTRUCTOR : SIR BITAM
7005214205/9077222273

VENUE : GOURAHARI MARKET ,PAONA BAZAR BEHIND POLO GROUND

HL-B/5854/3-30/01

PIS Brick Field (Mechanised)
BRICK SAMPLE
PIS
[illegible] (From time to time rate changeable)

Class	Rate(₹)	Bricks	Amount(₹)	Gari Charge(₹)	Labour(₹)	Total(₹)
1st	Rs. 12.30	2000	Rs. 24600	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 27200
1st	Rs. 12.30	1500	Rs. 18450	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 20450
2nd	Rs. 11.60	2000	Rs. 23200	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 25800
2nd	Rs. 11.60	1500	Rs. 17400	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 19400
1st Rej.	Rs. 10.00	2000	Rs. 20000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 22600
1st Rej.	Rs. 10.00	1500	Rs. 15000	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 17000
Peti	Rs. 10.00	2000	Rs. 20000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 22600
Peti	Rs. 10.00	1500	Rs. 15000	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 17000
3rd	Rs. 5.50	2000	Rs. 11000	Rs. 2100	Rs. 500	Rs. 13600
3rd	Rs. 5.50	1500	Rs. 8250	Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 10250
Chektek	Rs.5000/- per 1 load (Tata 407)			Rs. 1600	Rs. 400	Rs. 7000

Contact: 9862048579, 8787464898 (Sunday closed & Phone switch off)
Office Hours: 6:00 am to 4:30 pm
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khangjom War Memorial Complex.

HL-P/5723/9nov. to 7jan

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4529/25oct.to23nov.



EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY
Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai

2 months Crash Revision Course for Class X
From 16th November, 2019 to 31st January, 2020
5:00 am - 8:00 am (Morning)
5:00 pm - 8:00 pm (Evening)

Foundation Course for Class IX and X
From 15th December, 2019 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position: *The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.*

8th Position 11th Position 12th Position
19th Position 22nd Position 23rd Position

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019

Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)

Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

General Foundation Course for Class I to VIII From 5th January, 2020
I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)

Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita

For detail Please contact 9612 194500

HL-B/5826/27nov to 27dec.

S³ [illegible]
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

ADMISSION OPEN FOR

FOUNDATION COURSE FOR CLASSES VI TO VIII AND IX TO XII
Class starting from 26th Dec. 2019, 6th Jan. and 13th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am (During vacations)
(ii) 2 pm to 5 pm
(iii) 4 pm to 7 pm

- Revision Class for X and XII
Class Commencing from 23rd Dec. and 6th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am
(ii) 10 am to 1 pm
(iii) 2 pm to 5 pm
(iv) 4 pm to 7 pm
- Revision Class will focuss on scoring high marks based on CBSE, BOSEM and COHSEM exam. pattern. Analysis of prev. questions.
- Day boarding specially for exam. appearing students in 2020.
- Van Service and Hostel for both Boys and Girls.
- Sunday test series.

For more details please contact # 9856331259

HL-P/5692/22,23,24,25,27,28,29,30,31 dec 2019 & 1,3,4,5,6,8 jan 2020

[illegible]
NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X (BOSEM)
CLASS STARTING - 9th DEC, 2019
TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.

CLASS XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

CLASS VI TO VIII (BOSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

* Day Boarding Facilities.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Study Material will be provided.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/5262/10 dec-11jan